**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-02-2025)**

**নিংথৌ (এল)**ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-চহি অনি হেল্লবা মনিপুরগী ইরাংনা মীয়াম খম থেংনা ৱারবা মতম অসিদা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা হায়বসি য়ামা চুমদবা থৌওংনি।

রিছার্স ফোরম মনিপুর (রিফোর্ম) অমদি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজনা পুন্না শিনদুনা ঙসি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ পালন থৌরম য়াওবা লাকপদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-রাজনিতিৱালাশিংনা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকবা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবা তঙাইফদে। রাজনিতিগী তংদু লৈতাদনবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা রাজনিতিৱালাশিংনা মীয়ামগী অৱাবা অসি য়েংলগা ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে।

মহাকা হায়-খুল ঙাকপশিং অসি হান্না লৈরম্বা নত্তে। অদুমওইনমক, ফিভমনা মতমনা পুরক্তুনা মখোয়বু খুল ঙাকপা ওইহল্লকখিবনি। মখোয় রাজ্যগী অমসুং লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লৈবা কাংবু নত্তে। মরমদম, মজাতিবু কঞ্জনবগীদমক তঙাইফদবা তানফমদা থোরকখি।

**ককচিং (এল)**ঃ অসাম রাইফলসনা ঙসি অয়ুক ককচিং পনজাউ পল্লুমদগী ফাজিল্লুবা খুল ঙাকপা মীওই ২৬ থাদোরকখ্রে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী-নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়-খুল ঙাকপশিং অদু ফাখিবদগী ককচিং কৈথেলদা দুকানশিং থোং লোন্নখি। মৈরা পায়বীশিংনা লম্বীদা থোরক্তুনা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই, থাদোক্কদবনি হায়দুনা লম্বী থিংখি। তুংদা, নুংথিল পুং অমরোম তারকপা অদুৱাইদা ককচিংগী দিপ্যুতি

কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ফাজিল্লুবা খুল ঙাকপা ২৬ মক থাদোরকখি।

খুল ঙাকপশিং ফাখিবগী পাউ শন্দোরকপদগী মফম কয়াদা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নুপীশিংনা লন্থীদা থোরক্তুনা টয়ার মৈ থাবা অমসুং লন্থী থিংবগী খোঙজং চংশিন্নখি। তুংদা, খুল ঙাকপশিং অদু থাদোরকপগী পাউ ফংনবদগী খোঙজংশিং অদ্ হন্দোকখি।

**হোম (এল)ঃ** মনিপুর হোম গার্দকী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনরেল অমা হাপবা লৌখৎপা থবকশিংগী মতাংদা লাক্লিবা এপ্রিল মরি ফাওবগী মনুংদা মনিপুর হায় কোর্টতা রিপোর্ট অমা পীখৎলকবা কোর্ট অসিনা মরি লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা হায়-মনিপুর হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট জেনরেল অমা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা হাপবা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎকদবা অদু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী এসোসিয়েসননা ফেব্রুৱারী ১৬ তা কেস অমা লানখৎখি। থা অসিগী ১৭ তা জষ্টিস-এ. গুনেশ্বরগী বেঞ্চতা হিয়ারিং চথুখি। মদুদা, এপ্রিল মরি ফাওবগী মনুংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌখৎপা থবকশিংগী পাউদম অমা পীখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবনি হায়রি।

**মেত্রিক (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হৌজিক চথুরিবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসনগী ঙসি পরিক্ষাদা মহুৎ শিন দুনা পরিক্ষা থারম্বা মহৈরোই অহুম তান্থোকখ্রে।

বোর্ড অসিগী কমত্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-কুরাউপোকপীদা লৈবা সেন্ট জোসেপ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদগী মহৈরোই অনি অমসুং পল্লেলদা লৈবা এম.জি. ইভর গ্রীন হায়স্কুলদগী মহৈরোই অমা

তাম্থোকখি।

**ব্লড (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল অমসুং ভোলুন্টরি ব্লড দোন্নরস মনিপুর-থৌবাল ব্রান্সকা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা খাঙবোক্তা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। মীওই ২৭ না লেমা ঈ দান তৌখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঈ দান তৌবনা পীবা কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**লোল (এল)ঃ** মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ পালন ঙসি দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লেমেন্টেসন মনিপুরনা শিন্দুনা এদল্ট এদুকেসনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। চহি অসিগীদমক পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনেস্কোনা থল্লিবা হীরম-'সিলভর জ্লি সেলেব্রেসন ওফ ইন্টরনেসনেল মাদর লেঙ্গোইজ ডে' হায়বসিদা শরুক য়াখিবশিংনা ৱা ঙাংখি।

মীপুম খুদিংমকা মশা মশাগী মমালোলবু ইকায় খুমগদবনি অমসুং নুংশিগদবনি হায়বা ৱাফমশিংসু ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোংদোকখি।

মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ থৌরম পেত্রিয়োটিক রাইটরস ফোরম মনিপুরনসু শিনদুনা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইমা বঙ্কেট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরি লোলগী অইবা-অইবীশিংদা তোঙান তোঙানবা লিটরেরি এৱার্ডশিং পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা শৈরেংগী লাইরিক অমসু ফোংখি।

ককচিং জিলাগী ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টরদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। সাহিত্য সেভা সমিতি-ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইমালোল চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওইশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী, মনিপুরি দিপার্টমেন্টনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। দিপার্টমন্টে অসিগী হেড ওফ দিপার্টমেন্ট-প্রোফেসার-এল. বিরজিতানা মনিপুরি লোলগীদমক ভারতনা লৈঙাকা পীরিবা খুদোংচাবশিং ঐখোয়না লৌবগী মতুং ইন্না লোল অসিগী চাউখৎপগী থাক লেপকদৌরিবনি হায়খি। মফম মতম চানা মৈতৈলোল শিজিনন্দুনা লোল অসিগী শক্তম কনমীন্নসি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

চান্দেলদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজ-কোমলাথাবীগী ইন্টরনেল ক্বালিটি এসুরেন্স সেল অমসুং হিন্দি অমদি মনিপুরি দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিনদুনা মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ পালন ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-ডা: এল. খিলোনি য়াওনা ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলসনসু তমেংলোং অমদি নোনেদা মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি। জিলা অসিগী লৱার কটং ওল নুংনাং অমদি খোংশাং ভিলেজতা লৈবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রাচনা ইবা অমদি ৱারী লীবা চাংদমবনচিংবা পাঙথোকখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

**থৌবাল (এল)**ঃ থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা রাইজ রিছার্স ষ্টেসনদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা নুপী তরেৎতা ঙসি ইমপ্লোইমেন্ট সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সার্টিফিকেটশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। সন্দ্রেস্বী প্রাইবেট লিমিটেদ অমদি সেন্টর ফোর কো-ওপরেটিব এন্দ লাইফলিহুদ-ধেরাহদুনগা খুৎশমদুনা থা অহুমগী ত্রেন্নিং অমা পীবগা লোয়ননা হায়রিবা মীওই তরেৎ অসিদা মশা মশাগী শেন্থোক লস্বীদা মতেং ওইনবা ইমপ্লোইমেন্ট সার্টিফিকেট পীবনি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাসনা হায়-ঙসি য়েন্থোক্লিবা ইমপ্লোইমেন্ট সার্টিফিকেটশিং অসিনা আই.দি.পিশিংগী ওইনা য়ামা চাউবা কান্নবা অমা ওইরগনি। মখোয় পীখিবা ট্রেন্নিং অসিনা মশা মশাগী অহৈবা পুথোক্তুনা মখোয়গা চান্নবা শিনফমদা মায় ওনশিনদুনা শেন্থোক লন্বী হেন্না ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতপু মালেমগী পৱার হাউস অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লম খুদিংমক্তা হৈথোই শিংথোইবা, মতিক চাবা লুচিংবশিং লৈবাক অসিনা দরকার ওইরি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি স্কুল ওফ অলটিমেট লিদরসিপ (সোল) কনক্লেপকী অহানবা এদিসন হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মালেমগী ওইনা শিংনবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমসুং পান্বৈশিং পুথোকপা ঙমগদবা মালেম থাক্কী লুচিংবশিং লৈবাক অসিনা শেমগৎপা মথৌ তারি। সোলগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-জাতি অমবু চাউখৎহনবদা হ্যুমেন রিছোর্সনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগীদমক ভারত মচা খুদিংমকা কন্না হোৎনরি। মসিদা ইনোভেসন অমসুং স্কিলগী লমদা হৈথোই শিংথোইবা মীওইশিং শেমগৎপা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ভুটানগী প্রধান মন্ত্রি-দাসো সেরিং তোবগেনা হায়-সোল অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মতিক চাবা লুচিংবশিং পুথোকবগী পান্দদা পাঙথোকপা য়ামা মরুওইবা কনক্লেপ অমনি। মসিনা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংগনি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৯ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৩ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হয়েং মহারাস্ত্রাগী পুনেদা পাঙথোক্কদবা ২৭ শুবা ৱেষ্টর্ন জোনেল কাউন্সিলগী মীফম হৌদোক্লগনি। কাউন্সিল অসিদা গুজরাট, গৱা, মহারাস্ত্রা অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং-দদ্রা এন্দ নাগর হাবেলি অমসুং দামন এন্দ দিয়ু য়াওরি।

জোনেল কাউন্সিল অসিনা লমদমশিং অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মাইনিং, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট, ফুদ সেক্যুরিতি অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি। মীফম অদুদা কো-ওপরেটিব ফেদরেলিজমগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

**মেলা ঃ** পুসা ক্রিসি বিগ্যান মেলা ২০২৫, হয়েংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌরগনি। নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মেলা অসি কেন্দ্রগী এগ্রীকলচর এন্দ ফামরস ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হৌদোক্কনি।

মেলা অসিদা ইন্দিয়ান এগ্রীকলচর রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা পুথোকপা টেকেলোজিশিং অমসুং অনৌবা তোঙান তোঙানবা মহৈ-মরোংশিং উৎকদৌরি।

**জগোই ঃ** মধ্য প্রদেসকী খাজরাহোদা পাঙথোকখিবা ৫১ শুবা খাজরাহো দান্স ফেষ্টিবেলদা জগোইগী আর্টিষ্ট ১৩৯ না পুং ২৪ মিনিট ৯ সেকেন্দ ২৬ চুপা লেপ্তুনা জগোই শাদুনা গুইনিস বুক্তা ৱার্ল্ড রেকোর্ড থমখ্রে।

আর্টিষ্টশিং অদুনা কথক, ভারত নাত্যম, কুচিপুরি, মোহিনিয়াতম অমসুং উরিসি জগোইশিং মথং মথং শাদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্ড অদু থমখিবনি। গুইনিস বুক্কী টিমনা ৱার্ল্ড রেকোর্ড চনবগী সার্টিফিকেট অদু মধ্য প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মোহোন য়াদবতা খুৎশিন্নখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৩ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-আই.পি.এসনা ওল স্তারবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** রাজ্যগী পুলিস দিপার্টমেন্টনা শিনবা অহানবা নুপী অমসুং নুপামচাগী চহি তরুক্তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট লেবেল ব্লু কপস বেবি লিগ-২০২৫ ঙসিদগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

লিগ অসি থা অসিগী ২৩ ফাওবা চত্থগনি। লিগ অসিদা নুপামচা ২০০ অদুগা নুপীমচা ৩৫ না শরুক য়ারি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি-২০২৪-২৫ গী ঙসি থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-থাউ-থাংমৈবন্দনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ১২ শুবা টি-টৌইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-নফসা-খা ইম্ফালনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈবু রন-৩১ দা, এল.সি.সি.সি. লিলোং চজিংনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-৩৪ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** কোলকাতাগী কিশোর ভারত্তি ক্রিরঙ্গনদা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ান সুপর

লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জমসেদপুর এফ.সিনা মোহোমদন এস.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।